# চাইনাদা থা তরুক্কী মনুংদা অহানবা ওইনা কোভিদ লায়নানা নাবা মীওই অমা লৈখিদ্রে



বৈজিং, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): কোভিদ ১৯ লাইচৎ মুথৎনবা চাইনানা অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎ লৌখৎনা লায়না অসিগী লাইচৎ কনখৎলক্লিঙৈ মরক্তা থা তরুক্কী মনুংদা অহানবা ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লায়না অসিনা নারবা মীওই অমা লৈখিদ্রে।

চাইনানা পাক শন্না লোক দাউন থমদুনা, মাস টেষ্টিং অমসুং ক্বারেন্টিননচিংবা তৌদুনা লায়না অসিগী লাইচৎ কনখৎলকপা থিংননবা কন্না হোৎনরবসু লৈবাক অসিদা মতম মতমগী ওইনা কোভিদ ইনফেক্সন হেনগৎলকপগী ফিভম উবা ফঙলি। নোংমাইজিং নুমিত্তা ম্যুনিসিপাল ওফিসলশিংনা লাউথোরকখিবা মতুং ইন্না মশাগী চহী ৮৭ শুরবা নুপা অমা বৈজিংদা কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

নেসনেল হেল্ঠ কম্মিসনগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা চাইনা শীন থুংবদা কোভিদ ইনফেক্সন লিশিং ২৪ হেন্না দিটেক তৌখি। কেস মশিং অসি অতৈ লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা নেল্লবসু মরু ওইনা লৈবাক অসিদা থা কয়া লায়না অসিগী কেস মশিং ইয়াম য়ামদনা রিপোর্ট তৌখিবা মতুংদা হন্দক্তা হেনগৎলক্লিবসি চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা তরাইনা লৌদ্রি।

থা অসিগী ১১ দা বৈজিংনা ইন্টরনেসনেল এরাইবেলশিংগী ক্বারেন্টিন মতম হন্থহনবা য়াওনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোরোনা ভাইরস লাকশিন্নবগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা খরা কোমথোকহনখি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিদা চৎনহল্লিবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা খরা মখৈ কোমথোককখিবা অদুনা বৈজিংনা পাল্লিবা জিরো-কোভিদকী পান্দম অদুগদি চান্নদ্রি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা সি সি টি ভিগী মতুং ইন্না হৌখিবা মে থাগী মতুংদা অহানবা কোভিদকী মীশি ওইরিবা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখিবা মীশি অদু লায়না অসিগী অকনবা কেস অমদি নত্তে হায়রি।

তৌইগুম্বসুং অহল ওইরবা মীওই অদু ভেক্তরিএল ইনফেক্সন লৈরকপদগী ফিভম শোকচিল্লকখিবনি হায়নসু সি সি টি ভিগী রিপোর্ট অদুদা পনখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা অনৌবা কেস ৬২১ থেংনখিবা বৈজিং সিটিগী ওথোরিটিশিংনা রেসিদেন্ট খরা চেকশিন থৌরাং ওইনা ময়ুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা অতৈবুনা ক্বারেন্টিন সেন্টরশিংদা লৈহনখি।

কেপিটেল সিটি অসিদা থোকখিবা মমাঙগী লাইচৎশিংগা মান্নদবা মওংদা হন্দক্কী ওফিসলশিংনা সিটি অসিগী মীয়ামদা অকনবা অথিংবশিং ঙাকহনবগী মওং উদ্রি। হৌজিক্কী লাইচৎ কনবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা মেন্যুফেকচরিং হব গ্বাংজৌদা ওথোরিটিশিংনা নৌহৌননা লোকদাউন থমজিল্লকপদগী খোইরাং খোইশাওনরবা প্রোটেষ্টরশিংনা হৌখিবা চয়োলদা পুলিসকা খুৎ থোক্লখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা সিটি অসিদা অনৌবা কেস ৮০০০ হেন্না থেংনখিবগা লোয়ননা ওফিসলশিংনা মীওই মিলিয়ন ১.৮ রোম লৈরিবা সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্ট হাইজৌদা জেনরেল স্ক্রিনিংগী থৌরাং অমা হৌদোকখি।

চাইনাদা মহৌশাগী থবক থৌরমশিং হঞ্জিলহন্নবা ওথোরি-টিশিংনা খন্নরকপগা লোয়ননা মীয়ামদা তঙাই ফদবা নত্ত্রবদি কেপিটেলগী অকোয়বদা চথোক চৎশিন তৌনদবা আপিল তৌখি। বৈজিংগী খ্বাইদগী চাওবা সোপ্পিং মোলশিংগী মনুংদা খরা নোংমাইজিং নুমিত্তা থোঙ লোন্নখি, অতৈনা হাংবগী মতম খরা তেনশিনখি অমদি রেষ্টুরেন্টশিংদনা টেবল সার্ভিস থিংখি। বিজিনেস অমসুং দিপ্লোমেটিক হব চাওয়াং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ওফিস কয়ানা মখোয়গী এমপ্লোয়িশিং য়ুমদগী ওইনা থবক তৌননবা খঙহনখি। পার্ক, স্পোর্টস হোল অমসুং জিম খরসু থিংজিনখি।

বৈজিংদা লৈবা ফ্রেন্স ইন্টরনেসনেল স্কুলনা পেরেন্টশিংদা মখোয় তঙাই ফদনা দিষ্টেন্স লর্নিংদা ওইনা মহৈ তম্বীনবগী ইন্সট্রক্সন পীরক্লে হায়না খঙহনখি।

# কোলারাদোদা লৈবা গে নাইট ক্লব অমদা মীওই মঙা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

দেনভর, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা য়ুএসকী কোলারাদো ষ্টেটতা লৈবা কোলারাদো স্প্রিংসকী গে নাইট ক্লব অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই মঙা শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৮ অশোক অপন নঙখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। কোলারাদো স্প্রিংসকী লেফটনেন্ট কর্নেল পামেলা কাষ্ট্রোনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি ক্লব ক্যুদা চথুখিবা এটেক অদুগী মতুংদা সস্পেক্ট অমা পুলিসনা ফাখি অমসুং মহাক মশাদা শোক্লম্বদগী ট্রিটমেন্ট পীরি।

কাষ্ট্রোনা হায়খি, মদুদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা অহিং নোংয়াই য়ৌরমদাইদা পুলিসতা ফোন কোল তৌরকখি। খুদক্তা পুলিস টিম অমা থাখিবগা লোয়ননা মখোয়না হেক থুংবগা সস্পেক্ট ওইরম্বা য়াই হায়না থাজবা মীওই অমা নাইট ক্লব অদুগী মনুংদা লৈরমখি। পুলিস ওফিসার অসিনা এটেক অদুগী পান্দমগা মরী লৈনবা অকুপ্পা ইনফোর্মেসন পীখিদে। লোয়ননা সুটিং অদুদা করম্বা মখলগী নোংমৈ শীজিন্নখিবগে হায়বদুসু মহাক্না ফোঙদোকউ য়াখিদে।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোক্লিবা ক্লব ক্যুনা মসিগী গুগ্গল লিষ্টিংদা মসি এদল্ট-ওরেন্টেদ গে অমসুং লেস্পিয়ন নাইট ক্লব অমনি অমসুং মসিদা করাওকি, দ্রেগসোশিং অমসুং দিজেশিংনচিংবা থিম নাইটশিং হোষ্টিং তৌই হায়না পল্লি হায়রি।




ক্লব অদুনা মসিগী ফেজবুক পেজতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ঐখোয়গী কম্যুনিটিদা ৱাখল য়াওদনা অসুম্না শাথিরবা এটেক অমা চথরকখিবা অসিনা ঐখোয় পুম্নবু থম্মোয় কায়হল্লে। গনমেন অদুবু নমথদুনা হেটে এটেক অসিবু লোইশিলহনখিবা থৌনা লৈরবা কষ্টমরশিংগী অথুবা রিএক্সনশিং অদু ঐখোয়না থাগৎলি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী মতুংদা থাগৎলকপা ইমেজশিংদা সেক্যুরিটি অমসুং ইমর্জেন্সি ভেহিকলশিং থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুগা নক্নবা ষ্ট্রিট অমদা খান্বা উখি। লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৪ তারকপদা কোলারাদো স্প্রিংসকী চিদাই ওইরকপা ষ্ট্রিপ মোল অমদা লৈবা ক্লব অদু পুলিসনা কোয়না খাজিন্দুনা থমখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৬ দা ফ্লোরিদাগী ওর্লান্দোদা লৈবা গে নাইট ক্লব অমদা গনমেন অমনা মীওই ৪৯ হাৎখি। মহাকসু পুলিসনা কাপ্পদা শিখি। মতমদুদা থৌদোক অদু য়ুএসকী খ্বাইদগী শাথিবা মাস সুটিংগী থৌদোক ওইখি। সুটর অদুনা মহাক ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদরবু শৌগৎলি হায়না ক্লেম তৌখি। মহাক পুলিসকা নোংমৈ কাপ্নবদা শিখিবনি।

# অহানবা ওইনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা ইমরান খানগী পিটিআইগা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): চহী অসিগী এপ্রিলদা লৈঙাক্কী পৱার পায়বা হৌখিবদগী অহানবা ওইনা পাকিষ্টানগী সেহবাজ সারিফনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) গা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়না ছোর্সনা ফোঙদোরক্লি।

এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়, খোঙথাং অসি ফাইনান্স মিনিষ্টর ইসাক দারনা ইরাই নুমিত্তা প্রসিদেন্ট অরিব অলবিগা উন্নদুনা পোলিটিকেল ইস্যুশিং লৈখায় তাথোক্লবা ৱারী শান্নবগী ৱাফম ওফর তৌখিবা মতুংদা লাকপনি।

ছোর্সশিংনা হায়রি, মদুদি প্রসিদেন্টনা মঙোন্দা মহাক্কী মেসেজ অদু পিটিআইগী লিদরশিপতা খঙহল্লগনি হায়খি। গভর্ণমেন্টগী ওফর অদুগী পাউখুম ওইনা পিটিআইগী লিদরশিপনসু ৱারী শান্ননিংবগী অপাম্বা উৎখি অমসুং পার্টিগী প্রসিদেন্টবু গভর্ণমেন্টগা ইনগেজ তৌননবগী অয়াবা পীখি। দারনা হৌখিবা নুমিৎ হুন্নিগী মতমদা প্রসিদেন্টগা মীফম অনী চথুখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি পিটিআইনা জেনরেল ইলেক্সন ঙন্না পাঙথোক্লবগী তারিখ অমা লাউথোকপদু পাম্মী। করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা মসিবু য়ারবদি পিটিআইনা ইলেক্টরেল ফ্রেমৱার্ককী মতাংদা দাইলোগ চথনবা অমুক হন্না পার্লিয়ামেন্টতা চঙবগী ৱাফম অসি য়ানিংই। দার অসি অলবিগী মরক্তা চথুখিবা মীফম অদুগী পান্দমদি অনৌবা আর্মি চীফ এপোইন্ট তৌবগী প্রোসেস অদু মওং মরিল তানা মপুং ফানা চথুবা অসিনি হায়নসু রিপোর্ট খরদা পনখি।

ছোর্সশিংনা মখা তানা হায়রি মদদি আর্মি চীফ অমা এপোইন্ট তৌবা হায়বসি পাকিষ্টানদা য়াম্না লূবা ৱাফমনি হায়দুনা প্রোসেস অসিবু থিন্থবা হায়বসি লৈবাক পুম্নবগী অপাম্বা ওইরোই। পিটিআইগী লূচিংবা অমনা এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনদা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা চৎনদুনা লাকপা প্রোসেস খোঙ্গাওনদুনা আর্মি চীফ অমা এপোইন্ট তৌবা তারবদি প্রসিদেন্টনা মদুবু অমুক হন্না খন্ননবা সম্মরি পাঙথোকপা য়াই। অদুম ওইনমক পার্টিনা জেনরেল অমবু আর্মি চীফ ওইনা এপোইন্ট তৌবদা য়েৎপা তৌরোই। অনৌবা চীফ এপোইন্ট তৌবা হায়বসি পিটিআইগী ওইনদি ইস্যু অমা নত্ত্রে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# য়ুএসকী য়ুনিভর্সিটিনা সিখ মহৈরোয়শিংবু কলেজ কেম্পসতা কির্পান পুবা য়াহনখ্রে

ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): য়ুনিভর্সিটি ওফ নোর্থ কেরোলিনা-চার্লোদনা মসিগী 'ৱেপন্স' ওফ কেম্পস পোলিসি' অপদেট তৌদুনা সিখ মহৈরোয়শিংবু লাইনিং লাইশোলগী মতুং ইন্না তঙাই ফদবা অমা ওইরিবা কির্পান কেম্পসতা পুবা য়াহনখ্রে।

খোঙথাং অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী সিখ মহৈরোয় অমা কেম্পসতা সিখশিংগী লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈননা তৎন থানবা য়াদ্রিবা পোৎশক অমা ওইরিবা কির্পান পুরম্বগীদমক্তা ফাখিবা মতুং থা অনীরোম লৈরগা লাকপনি।

অপদেট তৌরবা পোলিসি অদুগী মতুং ইন্না য়ুনিভর্সিটি অসিনা মহৈরোয়শিংবু ইঞ্চি ৩ য়ৌদনা শাংবা কির্পানশিং কেম্পসতা পুবা য়াহল্লগনি। হেন্না চাওবা কির্পান অমা পুবা য়ানবা হায়জবা য়াওনা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা অতৈ তঙাই ফদবা কয়াসু সিভিল রাইটসকী ওফিসতা হায়জবা য়াগনি হায়নসু য়ুনিভর্সিটি অসিনা খঙহনখ্রে।

রুল্লিং অদু খুদক্তগী চৎনহল্লে হায়না সিখ মহৈরোয় অমা ফাখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এপোলোজাইস তৌখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিনা ফোঙদোকখি।

সেপ্টেম্বর ২২ গী থৌদোক অদুগী মতুং চয়োল অমরোম কান্নরগা য়ুনিভর্সিটি অসিনা থৌদোক অদুনা শোকহল্লবা মহৈরোয়শিংদা সপোর্ট অমসুং রিছোর্সশিং পীবা য়াওনা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরিবা এক্সনশিংগী লিষ্ট অমা ফোঙখি। মদুদা স্কুলগী পোলিসি হোংদোকপা অহেনবা এদুকেসন অমসুং ট্রেনিং পীবগী ৱাফম পনখি।

ৱাথোক অদু মহৈরোয় অমনা ত্বিটরদা ভিদিও অমা অপলোদ তৌবগা লোয়ননা পুলিসনা মহাক্কী কির্পান লৌথোক্লবা হোৎনবদা অথিংবা পীবগীদমক মহাকপু হেনকপ চন্দুনা ফাখি হায়না ফোঙদোরকখিবা মতুংদা খঙনরকখিবনি।

মীওই লাক্ষ ২১ হেনবনা য়েংনখিবা ভিদিও অদুগী লাইক মশিং ৫৬,০০০ শুখি অমসুং সোসল মেদিয়াদা মদুবু সপোর্ট তৌদুনা কম্মেন্ট কয়া পীনখি। সিখ লাইনিং লাইশোলগী চৎনবী মতুং ইন্না লাইমিং লৌরবা সিখশিংনা তঙাই ফদনা পুগদবা ফেদকী পোৎশক মঙাগী মনুংদা কির্পান 'থাং' অসিসু অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# শিবগী চৈরাক ফঙলবা বাংলাদেশকী মিলিটেন্ট অনী কোর্টতগী চেনখ্রে

ধাকা, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): মশক নাইরবা বাংলাদেশি-অমেরিকন সেক্যুল্লর ব্লোগর অবিজিৎ রোই অমসুং মহাক্কী পল্লিসরবু হাৎখিবগীদমক্তা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা ইস্লামিক মিলিটেন্ট অনী নোংমাইজিং নুমিত্তা মশক খঙদবা বাইকর অনীগী মতেংদগী ধাকাদা লৈবা মী চিল্লবা কোর্ট অমগী প্রেমিসেসতগী নাম্থোকখ্রে হায়না রিপোর্ট খরনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না মশক খঙদবা বাইকরশিং অদুনা পুলিসতা কেমিকেল খরা চাইশিল্লগা স্মোক স্ক্রিন অমা থোকহন্দুনা কনভিক্টশিং অদুবু মফম অদুদগী থুনা পুথোককখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুং হোম মিনিষ্টর আশা দুজামন খান কমলনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি কনভিক্টশিং অদুবু অমুক হন্না ফাননবা লৈবাক শীন থুংনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহনখ্রে অমসুং থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো হায়বসি খঙদোক্লবা ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌহনখ্রে।

থৌদোক থোকফমদা পুলিস স্পোক্সমেন অমনা পাউমীশিংদা কনভিক্টশিং অমদি মখোয়গী হেল্পরশিং অদুবু ফাননবা অচৌবা থীহুম্বগী ওপরেসন অমা চথুবা হৌখ্রে।



মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি অথিংবা থমখ্রবা টেররিষ্ট গ্রুপ অন্সারুল্লা বাংলা টিম (এফ ই টি) গী ওপরেটিবশিং ওইরিবা মোইনুল হাসন সামির এলিয়স ইমরান অমসুং অবু সিদিক সোহেল অনী অসি তোঙানবা কেস অমগা মরী লৈননা ইন্দাইটমেন্ট হিয়ারিং চথনবগীদমক কোর্টতা পুরকখিবদা মশক খঙদবা মোটোর সাইকল তোংবা মীওই খরনা খঙহৌদনা পুরগা চেনখিবনি।

থৌদোক অদু কনভিক্ট অনী অদুবু ট্রাঞ্জিসন রিজন রুম অমদা ঙাক শেন্দুনা পুরিঙৈদনি। পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা এ বি টিগী ওপরেটিব অনী অদু বাংলাদেশতা পোকখিবা মশাগী চহী ৪২ শুরবা য়ুএসকী সেক্যুল্লর ব্লোগর রোয় অমসুং মহাক্কী পল্লিসর ফাইসল অরেফিন দিপানবু হাৎখিবগীদমক্তা হৌখিবা চহীদা শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

পুলিস অমসুং উহৌবা মীওইশিংগী মতুং ইন্না কনভিক্টশিং অদুবু ঙাক শেন্দুনা পুরিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা মোটোর বাইক তোংদুনা লাকপা মশক খঙদবা মীওই খরনা কেমিকেল চাইশিন্দুনা স্মোক স্ক্রিন থোকহল্লগা কোর্টকী প্রেমিসেসতগী পুথোকখিবনি। উহৌবশিংনা হায়খি, মদুদি মশক খঙদবশিংদুনা শীজিন্নখিবা স্প্রে অদুনা পুলিস পর্সনেল অনী ঙাইহাক্তংগী ওইনা মমিৎ উহনখিদে। মসিনা শাথিরবা মী হাৎপগী কেসশিংগী কনভিক্টশিংবু অতৈ অতোপ্পা ইচম চম্বা প্রিজিন্নরশিংগুম্না ট্রিট তৌই হায়বসি উৎলে। কোর্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা প্রিজনরশিং অদু হেনকপ চনখিবা ওইরবসু মখোয়গী মখোঙশিং অদুদি য়োল্লিং চনখিদে। অসিগুম্বা খরা চেকশিনবা ৱাৎপগী থৌওং অসিনা শাথিরবা ক্রিমিনেলশিং নত্ত্রগ মিলিটেন্টশিং অদু নাম্থোকপা ঙমখিবনি।

# য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা নোংমৈ কাপ্তুনা মহৈরোয় অমা হাৎখ্রে

ৱাশিংতন, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): য়ুএসকী ন্যু মেক্সিকো ষ্টেটকী খ্বাইদগী চাওবা সিটি অলবুকুরকিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মহৈরোয় অমা শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা অমা অশোক অপন নঙলে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদু থাংজ নুমিত্তা য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু মেক্সিকো (য়ু এন এম) দা থোকখিবনি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না নোংমৈগী এটেক অদুদা শিখিবা মশাগী চহী ১৯ শুরবা নহা অমা য়ু এন এমগী মহৈরোয় অমনি অমসুং থৌদোক অদুদা শোকখিবা মশাগী চহী ২১ শুরবা অদুনা ন্যু মেক্সিকো ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি (এন এম এস য়ু) গী বাস্কেটবোল প্লেয়রনি।

য়ু এন এমগী মতুং ইন্না নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু য়ুনিভর্সিটি অদুগী মেইন কেম্পসতা লৈবা ষ্টুদেন্ট দোর্মিটরি অলবারাদো হোলগা নক্লনা থোকখিবনি। লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৩ রোম তাবদা ভিক্টিম অদুগা অশোকপা প্লেয়র অদুগগী মরক্তা খৎন-চৈনবা অমা থোকখি। থৌদোক অদুদা মখোয় অনীমক নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি। অলবুকুরকি পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু এক্তিব সুটর চেন্নবা থৌদোক অমদি নত্তে। থৌদোক অদুনা কেম্পসতা লৈরিবা অতৈ মহৈরোয়শিংদা অকিবা পীবা লৈখিদে। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি অদুগা লোয়ননা অলবুকুরকি পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি।

# মালেসিয়াগী মীখলদা পার্টি নত্ত্রগা কোল্লিসন অমত্তনা মেজোরিটি ফঙদ্রে

কুলালম্পুর, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): মালেসিয়াগী ১৫ শুবা জেনরেল ইলেক্সনদা পার্টি নত্ত্রগা পোলিটিকেল কোল্লিসন অমত্তনা সিঙ্গল মেজোরিটি ফঙবা ঙমখিদ্রে। মসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা লৈবাক অসিগী ইলেক্সন (ইসি) গী ৱেব সাইটতা থাদোরকখিবা রিজল্টশিংগী মতুং ইন্ননি।

পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসকী সিট ২২০ গীদমক্তা কন্টেষ্ট তৌখিবা মরু ওইবা পোলিটিকেল কোলিসনশিংগী মনুংদা পকাতান হরাপাননা সিট ৮২ ফঙখি, পেরিক্তন নাসিওলনা সিট ৭২, বারিসান নাসোনেলনা সিট ৩০ অমসুং অৱাং থংবা বোর্নিও ষ্টেট সরাৱাটকী পার্টিশিংগী গ্রুপ অমা ওইরিবা জি পি এসনা সিট ২২ ফঙখি হায়না ইসিগী দেটা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি।

লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৪.৩০ তাবা ফাওবদা বুরনিওগী অৱাং থংবা ষ্টেট সবাগী সিট অমগী রিজল্ট লাউথোকখিদে। সিট ২২০ দুগী মনুংদা অতৈ সিট অদু অপীকপা গ্রুপশিং অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টশিংনা ফংখি। পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসকী অপুনবা সিট মশিং ২২২ নি। ৱাৎলিবা সিট অনীগী পোল্লিং কেন্দিদেট শিখিবদগী অমদি ঈচাওনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখি।

# ফোরেন মিলিটরি লৈশিল্লকপনা রিজনেল ইনর্জি সেক্যুরিটিদা অকিবা পীরে: ইরান

টেহরান, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): কোরিয়ন মিলিটরি ফোর্সশিং লৈশিল্লকপা অসিনা রিজনেল ইনর্জি সেক্যুরিটিদা অকিবা পীরে হায়না থাংজ নুমিত্তা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমির-অব্দোলাহিয়ন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইরানদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা ওমানগী মহাক্কী লেঙমান্নবা সায়িদ বাদর হমাদ অল-গুসাইদিগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা অমির-অব্দোলিয়ন্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা ইরানগী ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি কির্নানা হায়, পার্সিয়ন গল্ফকী ঈশিংদা মপানগী মী তোংদবা য়াল্লবা ভেসেলশিং হৌজিক উবা ফঙলি।

পার্সিয়ন গল্ফ অমসুং ওমানগী ঈশিংদা লৈরিবা য়াল্লবা মী তোংদবা ফোরেন ভেসেলশিংনা লমদম অসিগী সেক্যুরিটিগী প্রোব্লেমশিং শরুক অনী হেনগৎহল্লে।



মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ফোরেন ফোর্সশিং লৈশিল্লকপা অসি রিজনেল পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটিদা অকিবা পীরক্কনি হায়না ইরাননা লৌই। লমদম অসিগী পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটি লমদম অসিগী লৈবাকশিংনা মেন্টেইন তৌবা ঙমদ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অদুদা অল-বসাউদিনা হায়খি, মদুদি রিজনেল ঈশিংদা চথোক চৎশিন তৌরিবা জহাজশিংগীদমক্তা ঐখোয়না মতম চুপ্পদা সেক্যুরিটি পীননবা হোৎনখি। লমদম অদুগী ঈশিংগী শরুক্তা চথোক চৎশিন তৌরিবা কর্মসিএল জহাজশিংবু ঙাক শেনবা হায়বসি লমদম অসিদা লৈরিবা লৈবাক পুম্নমক্কী অপাম্বনি।

হৌজিক ঐখোয়না শীংনবা অমদি অমগা অমগা মত মান্নদবগী ফিভম কয়া উবা ফঙলি। তৌইগুম্বসুং পুম্নমকসিগী অমত্তা ঙাইরবা সোল্যুসনদি ৱারী শান্নবা অমদি দিপ্লোমেটিক ওইবা থৌরাংশিং লৌখৎপা অসিনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। চয়োল অসিগী অঙনবদা ওমানগী সমুদ্র খোঙবালগা নক্লনা লাইবেরিয়াগী ফিরাল থেৎপা ইজরেলনা শীজিন্নবা ওইল টেঙ্কর অমদা দ্রোন অমনা এটেক তৌখিবা মতুংদা দিপ্লোমেট অনীগী মায়োক্তা উন্নদুনা ৱারী শানখিবনি।

# বি-১ বি বোম্মর য়াওহন্দুনা অপুনবা এয়র দ্রিলস পাঙথোকখ্রে

সিওল, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসনা থাংজ নুমিত্তা য়ুএসকী বি-১বি লেন্সর ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর অমা য়াওহন্দুনা লৈবাক অনীগী অপুনবা এয়র দ্রিল পাঙথোকখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা ইষ্ট সীদা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অমা কাপখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা মীচং লৈবাক অনীনা ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর য়াওহন্দুনা জোইন্ট এয়র দ্রিল অদু পাঙথোকখিবনি।

জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জে সি এস) কী ৱারোল পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, সুপর সোনিক বোম্মর অদুনা সাউথ কোরিয়াগী এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন (কে এ দি আই জে) গী মথক্তা সোর্টি অমা পাঙথোকখি।

বোম্মর অদুবু সাউথ কোরিয়াগী এফ-৩৫ এ জেটশিং অমসুং য়ুএসকী এফ-১৬ ফাইটরশিংনা ঙাক শেনখি। ইরাই নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়ানা ৱারহেদ কয়ামরুম পুবা ঙম্মী হায়নরিবা অমদি য়ুএস মেনলেন্দ অপুম্বা ইরায় লাইনা য়ৌশিনবা ঙম্বা কিমি ১৫,০০০ রোম শান্না পাইবা ঙম্বা ৱাসোং-১৭ আই সি বি এম অমা কাপখিবনি।

জে সি এসনা হায়, জোইন্ট এয়র দ্রিল অসিগী খুথাংদা ঐখোয়না অমুক হন্না সাউথ কোরিয়া-য়ুএস এল্লায়ন্সকী জোইন্ট মিলিটরি কেপাসিটি উৎপগা লোয়ননা ৱাশিংতন্না কোরিয়ন পেনিন্সুলাবু ঙাক শেনবগী অমদি অকন অরিংশিংবশিংগী মায়োক্তা দিটরেন্স মতিক চানা লৈহনবগী অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা লৈ হায়বদু অমুক হন্না উৎলে।

জে সি এসনা মখা তানা হায়, সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না তান্নদুনা নোর্থ কোরিয়াগী মিলিটরি এক্সনশিং মোনিটর তৌগনি অমসুং নোর্থনা কায়হৌরকপশিংদা উৎপা মখোয়গী অপুনবা রেস্পোন্স হেন্না ফগাৎহল্লগনি।

# ইজরেলগী মিসাইল এটেক্তা সিরিয়ন লান্মী মরি শিরে

দমাস্কস, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইজরেলনা মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা সিরিয়াগী ময়াই থংবা অমসুং সমুদ্র মপানগী মফম খরদা চথুখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমদা সিরিয়ন লান্মী মরি শিখ্রে।

লোকেল মেদিয়া পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ইজরেলগী মিসাইল ষ্ট্রাইক অদু মেদিটরিনিয়নদগী লোঞ্চ তৌখিবনি অমসুং ষ্ট্রাইক অদুদা সিরিয়ন লান্মী অমসু অশোক অপন নঙখি। লোয়ননা মদুনা অমাঙ অতা কয়াসু থোকহনখি।

মদু ইজরেলনা সিরিয়াদা লৈবা মিলিটরি সাইটশিংদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা এটেকশিংগী মনুংদা অমনি। থা অসিগী ১৩ দা সিরিয়াগী সেন্ট্রেল প্রোভিন্স হোমসতা লৈবা মিলিটরি এয়র বেজ অমদা ইজরেলনা চথরকখিবা এটেক অমদা সিরিয়ন লান্মী অনী শিখিবনি।

# হ্বিল চিয়রগী টয়ারশিংদা লোৎলম্বা কোকেনগা কোন্ননা নুপী অমা এয়রপোর্টতগী ফারে

ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): দোমেনিকান রিপব্লিকতগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস পায়রকখিবা নুপী অমা দোল্লর ৪৫০,০০০ গী ওইগদবা কোকেনগা কোন্ননা ন্যু য়োর্ক সিটিগী জোন এফ কেনেদি ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী ফাখ্রে।

য়ুএস কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সন (সি বি পি) না থাদোরকপা ন্যুজ রিলিজ অমগী মতুং ইন্না ইমেলিন্দা পাউলিনো ডে রিবাস কৌবী নুপী অদু নবেম্বর ১০ দা পুন্টাকনাদগী ফ্লাইট অমদা তোংদুনা ন্যু য়োর্ক সিটিগী জোন এফ কেনেদি ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থুংখি।

মহাক্কী সপোর্ট চিয়রগী হ্বিলশিং অদু উংদ্রে হায়বসি খঙলবা মতুংদা সি বি পিনা হ্বিল চিয়র অদুগী এক্স-এক্সরে লৌননবা ৱারেপ লৌখি। মখোয়না অঙৌবা পাউদর অমা থেংনখি। মতুং তাবদা মদু টেষ্ট তৌবদা কোকেননি হায়বসি খঙবা ঙমখি। হ্বিল মরিমক্তা পোৎশক অসি য়াওরমখি। য়াওরল্লিবা পোৎশকশিং অদু ষ্ট্রিট ভেল্যুদা দোল্লর ৪৫০ রোম ওইগদবা কোকেন পাউন ২৮ নি হায়না সি বি পিগী ন্যুজ রিলিজ অদুদা পনখি।

নুপী পেসেঞ্জর অদু অথিংবা থম্বা পোৎশক পুশিল্লম্বদগীদমক্তা ফাখি অমদি হোমলেন্দ সেক্যুরিটি ইনভেষ্টিগেসন কাঙবুদা শিন্নখি। মহাক হৌজিক ফেদরেল নার্কোটিক্স স্মাগ্লিংগী চার্জ মায়োক্নরি হায়রি।

# টুনিসিয়া অমসুং ফ্রান্সনা য়ুরো মিলিয়ন ২০০ কী ফাইনান্সিং এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রে

টুনিস, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): টুনিসিয়া অমসুং ফ্রান্সনা ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন ওফ লা ফ্রাঙ্কো ফোনিগী ১৮ শুবা সম্মিটকী নাকোয়ননা য়ুরো মিলিয়ন ২০০ (দোল্লর মিলিয়ন ২০৬.৯) গী দিল অমা খুৎয়েক পীনখ্রে।

টুনিসিয়াগী শেল থুমগী মথৌ তাবশিং ফঙহন্নবগীদমক্তা এগ্রিমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনখিবনি। টুনিসিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইকনোমি এন্দ প্লানিংনা থাদোকপা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, দিল অদু টুনিসিয়াগী ইকনোমিক এন্দ প্লানিং মিনিষ্টর সামির সায়েক অমসুং ফ্রান্সকী ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্টর কেথরিন কোলোনাগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখি।

ফাইনান্সিং এগ্রিমেন্ট অদুগী পান্দমদি টুনিসিয়ন গভর্ণমেন্টগী রিফোর্ম প্রোগ্রামশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মতেং পাঙবনি। এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনবগী থৌরমদা সায়িদকী মায়কৈদগী দিল অদুনা ফ্রান্সনা টুনিসিয়াবু মসিগী রিফোর্ম প্রোগ্রামশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মখা তানা সপোর্ট পীনবা শেম শাদুনা লৈ হায়বসি উৎলি। ইনিসিএটিব অসিনা টুনিসিয়াবু অমুক হন্না ফাইনান্সিএল বেলেন্স লাকহনবা ঙমদুনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী গ্রোঠ ফগাৎহনবা অমদি সষ্টেনেবল ইকনোমিগী ফিভম ফগাৎহনবদা মতেং ওইরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ফ্রান্সকী ফোরেন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী টুনিসিয়ন গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা রিফোর্ম প্রোগ্রাম অদু য়াম্না মরু ওই হায়রদুনা প্রোগ্রামশিং অদুনা লৈবাক অসিবু অমুক হন্না শেল থুমগী ফিভম ফগাৎহনবদা মতেং শোয়দনা ওইরগনি হায়খি।